# নভালনিনা পোইজনীংগী মতাংদা পুটিনবু মরাল শীখ্রে, রসিয়াদা হল্লক্কনি হায়না চেৎনা ফোঙদোকখ্রে





বর্লিন, ওক্টোবর ০১ (এজেন্সী): ক্রেমলিনগী ক্রিটিক অলেক্সি নভালনিনা জর্মন মেগাজিন অমদা মঙোন্দা হু থাখিবগী থৌদোক্তা মহাক্লা রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগী খূৎ চিংনৈ হায়না ফোঙদোকখ্রে। ৱাফম অসি ফোঙদোকপগা মহাক্লা মহাক্কী কেম্প্যেন মখা চত্থনবগীদমক্তা রসিয়াদা হল্লকপদা মঙোন্দা অকিবা লৈতে হায়নসু থমখ্রে।

ক্রেমলিন ক্রিটিক নভালনি হৌখিবা ওগষ্টতা দোমেষ্টিক ফ্লাইট অমদা খঙহৌদনা নারকখিবা মতুং অখন্নবা ফ্লাইট অমদা রসিয়াদগী বর্লিনদা হল্লককখিবনি। মহাক বর্লিনদা লৈবা টারিফ হোস্পিটালদা লায়েংখি। জর্মনিনা মহাক শাথিরবা নাব এজেন্ট অমা শীজিন্নরগা পোইজনীং তৌখিবনি হায়না মহাক্কী মশাদা ইনভেষ্টিগেসন খরা চত্থরবা মতুংদা ফোঙদোকখি।

মহাক হৌখিবা সেপ্টেম্বরগী অঙনবা শরুক্তা হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌখি। পোইজনীংগী ক্রাইম অসিদা পুটিন চৈন্নে হায়না ঐহাক্লা থাজে। থোকখিবা থৌদোক অসিগী অতৈ অতোপ্পা বর্জিন অমত্তা ঐহাক্লা খঙবা লৈতে হায়না নভালনিনা জর্মন মেগাজিন দের স্পাইজলদা ফোঙদোকখি।

শগোলশেল নুমিৎকী অথেংবদা ফোঙগদবা ইন্টরভিয়ু অমগী এক্সত্রেক্ট অমদগী নভালনিগী ৱারোল অসি খঙলকখিবনি। নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা ক্রেমলিনগী মায়কৈদগী ইস্যু অদুগী মতাংদা এক্সপ্লেনেসন অমা দিমান্দ তৌখি। তৌইগুম্বসুং ক্রেমলিন্নদি থৌদোক অদুদা চেন্নবা লৈতে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা অদুগুম্বা ক্রাইম অমগী ইভিদেন্স ফংবা লৈতে হায়খি।

নভালনিনা মহাক্কী মশাদা নাব এজেন্ট অদুগী ইফেক্ট লাকপা হৌখিবগী মতম অদু নীংশিংলদুনা হায়খি মদুদি, হকচাংদা নাবা-য়েকপা অমত্তা লৈখিদ্রবসু শোয়দনা শিরগদ্রা হায়বগী ৱাখল অমা ফাওখি। মহাক বর্লিনদা লায়েংবদগী য়াম্না থুনা ফরকখি অমসুং হৌজিক খোঙ নাম্মদনা করম্না বেলেন্স তৌগদগে হায়বদু তম্লি হায়খি।

নভালনিনা জর্মন মেগাজিন অদুগী ওফিসতা চৎপা খোঙচৎ অদুদা সিক্যুরিটি গার্দশিং লোয়নখি। মহাক্কী মীচংশিংনা শাথিরবা হু মখল অমা ওইরিবা মোলিক্যুল নোভিচোক্কী মচেৎ মকায়শিং মহাক্লা ফ্লাইটতা তোংদ্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক্কী হোটেলগী কাদা থকখিবা ঈশিংগী বোটল অমদা থেংনরে হায়না ফোঙদোকখি।

# রসিয়া অমসুং ফ্রান্সনা অজরবাইজান অমসুং ইথনিক অর্মিনিয়ন ফোর্সশিংগী মরক্তা সিজ ফায়র পুরক্নবা আপিল তৌখ্রে



বাকু/য়েরেবান, ওক্টোবর ০১ (এজেন্সী): নাগোরনো-করাবাক রিজনগী মতাংদা ইনৌ নৌনা থোক্লককখিবা খ্বাইদগী শাথিবা লানদা শিবা মী মশীং হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা শগোলশেল নুমিত্তা রসিয়া অমসুং ফ্রান্সনা অজরবাইজান অমসুং ইথনিক অর্মিনিয়ন ফোর্সশিংগী মরক্তা সিজ ফায়র পুরক্নবা হেন্না কনবা মওংদা আপিল তৌখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা কেমলিননা ফোঙদোকখিবদা, প্রসিদেন্ট ব্লাদিন পুটিন অমসুং ফ্রেন্স প্রসিদেন্ট ইমান্যুএল মেক্রোন্না কনফ্লিক্ট অদুদা ৱাতেন্নিবা ওর্গনাইজেন ফোর সিক্যুরিটি এন্দ কোওপরেসন (ও এস সী ঈ) মিন্স গ্রুপনা লান অদু লোইশিনহনবদা করি করি খোঙথাংশিং লৌখৎকদগে হায়বগী মতাংদা খন্নখ্রে। অজরবৈজানগী জেনরেল প্রোসিক্যুটরগী ওফিসনা ফোঙদোখিবদা আর্মিনিয়নশিংনা শগোলশেল নুমিৎকী অয়ূক্তা অজেরি টাউন কর্টরদা সেল কাপশিল্লকখিবদা মীচম অমা শিখ্রে অমসুং টাউন অদুগী ত্রেন ষ্টেসন ফীভম থীনা অমাঙ অতা থোকখ্রে।

অর্মিনিয়ানগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপর্সন অমনা হায়খি মদুদি হৌজিক কনফ্লিক্ট অদুগী ফীভম লুনা লৈ অমসুং অজরবাইজানগী ফোর্সশিংনা মচোই মচোই লৈরম্বদগী পুনশিনখিবা হোৎনখিবদা অর্মিনিয়ন ফোর্সশিংনা মায় পাকহনখিদ্রে। ইথনিক অর্মিনিয়নশিংনা চলাইবা কুমজা ১৯৯১-৯৪গী লান্দা তোঙান্না তাখিবা অজরবাইজান মনুংদা লৈবা চীংগী এনক্লেভ অমা ওইরিবা নাগোনো-করাবাক্কী মরমদগী লান হৌখিবদগী মীওই দজন কয়া শিখ্রে অমসুং মীওই চা কয়া অমনা অশোক অপন নংখ্রে।

সোভিয়েট যুনিয়ন কায়খিবা মতমদগী হৌখিবা কনফ্লিক্ট অদুনা সাউথ কোকেসসকী তং তাবা ফীভমগী কায়রক্লগদ্রা হায়বগী নুংনাংবা হেনগৎহনখি। সাউথ কোকেসস হায়বসি মালেমগী কৈথেলশিংদা থুম অমসুং গ্যাস পুবা পাইপ লাইনশিং য়ৌহন্নবগী কোরিদোর অমনি। কনফ্লিক্ট অদুনা রিজনেল পৱারশিং ওইরিবা রসিয়া অমসুং টর্কিবুসু তিনশিল্লক্তুনা হেন্না চাউবা লান অমা থোকহল্লগদ্রা হায়বগী অকিবা হেনগৎহনখি।

প্রসিদেন্ট মেকোন অমসুং পুটিননা মিন্সকী ফ্রেমৱার্ক মতুংইন্না সিজ ফায়র অমা পুরক্নবা পুন্না হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়বা ৱাফমসিদা য়ানখ্রে হায়না যূমশকৈশা নুমিৎকী অথেংবদা লুচিংবা অনীনা ফোন্দা ৱারী শানরবা মতুংদা মেকোনগী ওফিসনা থোককপা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

# ইষ্টর্ন যুক্রেনগী উমংদা লম্মৈ চাকপদা মীওই ৮ শিরে, ১০ হোস্পিটালাইজ তৌখ্রে

কিব, ওক্টোবর ০১ (এজেন্সী): নোংপোক থংবা যুক্রেনগী লুহান্স লমদমগী শরুক অমদা লৈবা উমংশিং পরিং নাইনা লম্মৈ চাকখৎলকপদগী মীওই ৮ শিখ্রে অমসুং ১০না হোস্পিটালাইজ তৌখ্রে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা ইমর্জেন্সি সর্ভিসনা ফোঙদোকখ্রে।

উমংগী মফম কয়াদা লম্মৈ চাক্লকখিবা অদুনা সেট্টলমেন্ট ২২দা অকিবা পোকহনখি। হৌজিক ফাওবদা হেক্টর ৯৩০০ রোমগী লম মৈ চাকখিবগা লোয়ননা মীওই ১২০ শাফগদবা মফমশিংদা হোন্দোকখ্রে হায়না ইমর্জেন্সি সর্ভিসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

লোকল ওথোরিটিশিংগী মতুংইন্না পূন্না মফম ১৪৬তা লম্মৈ চাকখি। মখোয়গী মনুংদা মফম ৮২দা লম্মৈ মুথৎখ্রে। লোকল যুক্রেনিয়ন ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখিবদা উমংদা লম্মৈ চাক্লক্লিবা অদু প্রো-রসিয়ন সেপরেটিষ্টশিংনা কন্ট্রোল তৌবা মনাক নকপা মফম অমদগী কাপশিল্লকখিবা সেলশিংনা থোকহনখিবা ওইরম্বা য়াই।

যুক্রেনগী প্রসিদেন্টকী ওফিসনা এনফোর্সমেন্ট বোদিশিংদা উমংদা লম্মৈ চাক্লক্লিবা অদুগী মরম থিদোক্নবা খঙহনখি। অসুম্না পাক শন্না লম্মৈ চাক্লক্লিবা অসিগী মরমশিং নিংথিনা খঙদোকপগী তঙাইফদবা লৈ হায়না প্রসিদেন্টকী ওফিসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

মতম খরগী ওইনা কাঙবু অমনা কন্ট্রোল তৌবা মফমদগী কাইহৌবগী মওংদা সেল কাপশিল্লকখিবগী পাউসু খন্নরে। অসিগুম্বা ৱেদরগী ফীভমদা মফম কয়াদা লম্মৈ চাক্লক্লিবসি খরদি সেল কাপশিল্লকপদগী থোকখিবা ওইরম্বসু য়াই হায়না ষ্টেট অদুনা মখা তাখি। হৌখিবা থাদা যুক্রেনিয়ন মিলিটরিনা প্রো-রসিয়ন সেপরেটিষ্টশিংবু গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগা চত্থনরিবা সিজ ফায়র থুগাই হায়না মরাল শীবা লৈখ্রে।

যুক্রেনগী ক্রুপশিং অমসুং রসিয়ানা শৌগৎপা রেবেলশিংগী মরক্তা কুমজা ২০১৪দগী লেপ্তুনা মরক মরক্তা লান শোক্লবা অসিনা মরম ওইদুনা মীওই লিশীং ১৩ হেন্না শিহনখ্রে।

# চাইনাগী নেসনল দে প্রোটেষ্ট তৌবা থিংনবা হোং কোং পুলিসনা মীওই কয়ামরুম ফাগৎখ্রে




হোং কোং, ওক্টোবর ০১ (এজেন্সী): অথিংবা থম্বা এন্টি-গভর্ণমেন্ট প্রোটেষ্টরশিংগী খোঙচৎকী লম্বীদা পেট্রোলিং তৌরিবা হোং কোংগী রাইওট পুলিসনা শগোলশেল নুমিত্তা মীওই কয়ামরুম ফাগৎখিবগা লোয়ননা সিটি অদুগী চীফ এগজিক্যুটিভ টেরিলামনা চাইনাগী নেসনল দেগী সেলেব্রেসন্দা থাগৎ ৱাহৈ কয়া ফোঙদোক্লিঙৈদা ঈরাং শাগৎনবা হোৎনরকপশিং অথিংবা পীখ্রে।

পুলিসনা মীওই ৫০ হেন্না ফাগৎখি অমসুং মখোয়গী খুদাংশিং অদু প্লেকসিকপশিংনা পুন্দুনা বসশিংদা পুখি। পুলিসনা ফেসবুক পোষ্ট অমদা হায়খি মদুদি মখোয়না সিটি অদুগী অতোপ্পা মফম অমদা চৎথোক চৎশিন্দা অথিংবা পীনবা পেট্রোল বোমশিং লংখিবা মীওই অনী থিরি।

হৌখিবা জুন ৩০দা বৈজিংনা হোং কোংদা অনৌবা নেসনল সিক্যুরিটি নোর্ম অমা চৎনহনখিবগী মায়োক্তা প্রোটেষ্টরশিংনা খোঙচৎ অমা পাঙথোকপা পামখি। মখোয়না খোঙচৎ অদুদা হৌখিবা ওগষ্টতা চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা সমুদ্রদগী ফাখিবা হোং কোংগী মীওই ১২ থাদোরক্নবা দিমান্দ তৌনবসু হোৎনখি। মীওইশিং অদু হি তোংদুনা মশানা লৈঙাকচবা ঈথৎ টাইৱান য়ৌনবা হোৎনরিঙৈদা চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা ফাখিবনি।

কোরোনাভাইরস লাইচৎনা মরম ওইদুনা মী য়াম্না তিনবদা থন্নিবা অথিংবশিং পল্লদুনা পুলিসনা এন্টি গভর্ণমেন্ট প্রোটেষ্ট অদুবু অথিংবা থমখি। দুকান ফম্বা মীওইশিং অমসুং লম্বী চৎপা মীওইশিংসু তাঞ্জা য়েংদুনা কো-দিমোক্রেসিগী খোল্লাউ কয়া লাউরিবা মীওইশিংগী মরক্তা চঙশিনখি। তৌইগুম্বসুং মী কা হেন্না য়াম্না পুল্লগা ঈরাং তৌবগী মওংদি উখিদে। মসি চাইনাগী নেসনল দেনি। তৌইগুম্বসুং হোং কোংগীনা দেথ দেনি হায়না সিটি অদুগী প্রোটেষ্টরশিংনা হেক হেক শীজিন্নবা অমুবা ফিজোল শেৎপা জয় কৌবী নুপী অমনা ফোঙদোকখি।

# ব্রেক্সিট দিলগী মতাংদা ঈ যুনা যু কেগী মায়োক্তা লিগেল এক্সন লৌখৎপা হৌখ্রে

বর্সেলস, ওক্টোবর ০১ (এজেন্সী): যু কেনা বেক্সিট ৱিদ্রোৱল এগ্রিমেন্টকী সেক্সন খরা ইন্দনবগী থৌরাংশিং থাদোকউ হায়বা য়াখিদ্রবা মতুংদা যুরোপিয়ন যুনিয়ননা শগোলশেল নুমিত্তা লৈবাক অসিগী মায়োক্তা লিগেল এক্সন লৌখৎপা হৌখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অমদা যুরোপিয়ন কম্মিসনগী প্রসিদেন্ট উরসুলা বোন দের লেননা হায়খি মদুদি বেক্সিট এগ্রিমেন্টকী শরুক খরা খোঙ্গাওনরকপা য়ারিবা ইন্টরনেল মার্কেট বিলগা মরী লৈননা যু কেদা হৌনবী মতুংইন্না নোটিশ ইস্যু তৌখ্রে।

যু কেগী থৌরাং অদুনা লৈবাক অসিবু নাকল অনীনা তুংদা ত্রেদ বিল অমগী মতাংদা য়ানবা পুরকপা লৈতবা মতমদা নোর্দন আয়রলেন্দগী ফর্মশিংগী সবসিদিগী মতাংদা লৈরিবা ষ্টেট এক্ট রুলশিং শেমদোকপা নৎত্রগা নৌনা ৱাহন্থোক পীবা য়াহনগনি হায়রি।

মহাক্লা হায়খি মদুদি, ড্রাফ্ট লেজিসলেসন অদুগী মতাংদা ঈ যুনা নুংনাংলিবশিং অসিগী পাউখুম যু কেনা নবেম্বর থা লোইবা ফাওবগী মনুংদা পীগদবনি। বিল অদু আয়রলেন্দ ঈথৎকী মতাংদা করম্না হার্দ বোর্দরগী ফীভম লৈহল্লোইদগে হায়বগী মতাংদা যু কেনা হান্না পীখিবা কম্মিটমেন্টশিং অদুগা মপূং ফানা তাইওন্নৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

য়েৎননীংঙাই ওইবা ক্লোজশিং অদু লৌথোক্নবা ঈ যুনা যু কেগী প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোনসন্দা সেপ্টেম্বর থা লোইবা ফাওবগী মতম পীখিবনি। তৌইগুম্বসুং মদুগী দেট লাইন হৌখ্রে হায়না বোনদেরলেনগী ৱারোল পল্লদুনা বৃটিশ পাউচে অমনা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা হায়খি মদুদি সেপ্টেম্বর থা লোইবা ফাওবগী মনুংদা ড্রাফ্ট ইন্টরনেল মার্কেট বিল অদুগী প্রোব্লেম ওইগদবা শরুকশিং লৌথোক্নবা ঐখোয়গী বৃটিশ মরুপ মপাংশিংদা ইনভাইট তৌখি।

# ঈ ভিনা টেরর ফন্দিং কেসতা এল ঈ টিগী চীফ হফিজ সয়িদকী মায়োক্তা চার্জশীট ফাইল তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০১ (এজেন্সী): ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টরেট (ঈ দি) না লাস্কর-ঈ-টাইবা (এল ঈ টি) গী চীফ মহম্মদ হফিজ সয়িদ, মহাক্কী দেপ্যুটি সহিদ মেহম্মদ, দুবাইদা বেজ তৌবা ফন্দস মেনেজর অমা ওইরিবা মোহম্মদ তান্ত্রান অমসুং দিল্লিদা বেজ তৌবা হৱালা ওপরেটর মুহম্মদ সলিমগী মায়োক্তা মনি লোন্দরিংগী প্রোব অমগা মরী লৈননা চার্জশীট অমা ফাইল তৌখ্রে।

গ্রুপ অসিগী ফাইনান্সিএল আর্ম ওইরিবা ফলা-আই-ইন্সানিয়াদ (এফ আই এফ) ফাউন্দেসনগী মায়োক্তা এজেন্সি অসিনা মনি লোন্দরিংগী ইনভেষ্টিগেসন চত্থরকখিবনি।

নেসলন ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ) না চত্থবা প্রোব অমদা যূম্ফম ওইরগা এজেন্সি অসিনা মোহম্মদ সলমান অমসুং মোহম্মদ সলিমগী মায়োক্তা মনি লোন্দরিংগী প্রোব অমা চত্থবা হৌখি। মীওই অনী অসি কুমজা ২০১৮দা ফাখিবনি।

শগোলশেল নুমিত্তা ঈ বিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি সলমাননা লোনা য়াদবা মওংদা ওপরেট তৌবা হৱালা চেনেলশিংগী খূত্থাংদা এফ আই এফকী ওপরেটরশিংদগী ফন্দশিং লৌবগী থবক্তা য়াওরমখি। এফ আই এফ অসি হফিজ সয়িদনা হৌদোকখিবা এল ঈ টিগী পেরেন্ট ওর্গনাইজেসন ওইরিবা জমাদ-উদ-দৱা (জে যু ভি) না লিংখৎখিবা পাকিষ্টান্দা বেজ তৌবা ওর্গনাইজেসন অমনি।

কুমজা ২০১২গী মার্চতা যুনাইটেদ নেসন্সনা এফ আই এফপু টেরিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমনি হায়না লাউথোকখি। যু এন অমসুং ইন্দিয়ন এজেন্সিশিংনা এফ আই এফ অসি করিমত্তা নত্তে, তৌইগুম্বসুং সিক্যুরিটিনা খঙদনবা অমসুং অথিংবশিংনা শোকহন্দনবগীদমক্তা শেমখিবা জেদ যু দি অমসুং এল ঈ টিগী ফ্রন্ট ওর্গনাইজেসন অমনি।

কুমজা ২০১৬কী ওগষ্টতা ইন্দিয়ানা অনলোফুল এক্টিভিটিজ প্রিভেন্সন এক্ট (যু এ টি এ) গী মখাদা এফ আই এফপু টেরিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমনি হায়না লাউথোকখি।

# টামিল নাদুনা ৱান নেসন, ৱান রসন কার্দ স্কিম লোঞ্চ তৌখ্রে

চেন্নাই, ওক্টোবর ০১ (এজেন্সী): টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর কে পলানি শ্বামিনা শগোলাশেল নুমিৎতা ষ্টেট অদুদা ৱান নেসন, ৱান রসন কার্দ স্কিম লোঞ্চ তৌখ্রে। ষ্টেট সেক্রেটরিএটতা কার্দ হোল্ডর অহুমদা ইসেন্সিএল আইটেমশিং শীন্নবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরনা স্কিম অদু লোঞ্চ তৌখিবনি।

গভর্ণমেন্টকী মতুংইন্না ইসেন্সিএল আইটেমশিং কুমজা ২০১৭তগী হৌনা ষ্টেট অসিগী ইলেক্ট্রোনিক কার্দ পায়বা ইমুং খুদিংমক্তা এপ্লাই তৌদুনা লাক্লি। কার্দ হোল্ডরশিংনা মখোয়গী ইসেন্সিএল আইটেমশিংগী চাকথুংশিং ষ্টেট অসিদা লৈরিবা রসন কার্দ অমদগী হেক্তা লৈজবা য়াই।

সেন্ট্রেল গভর্ণরমেন্টকী ইন্টিগ্রেটেদ মেনেজমেন্ট পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টমগী মখাদা ষ্টেট অমদগী অতোপ্পা ষ্টেট অমদা চৎলিবা রসন কার্দ হোল্ডরশিংনা মখোয়গী ইসেন্সিএল আইটেমশিংগী চাকথুং অদু লৈবাক অসিগী মফম খুদিংমক্তা লৈবা ঙমহল্লি।

টামিল নাদু গভর্ণমেন্টনা ৱান নেসন, ৱান রসন কার্দ স্কিম অসি শগোলশেল নুমিত্তগী দিষ্ট্রিক্ট ৩৮দা ইমপ্লিমেন্ট তৌরি। ওক্টোবর ১৬তগী স্কিম অসি মখা তানা থুতুকুন্দি, মদুরাই, থাঞ্জবুর, ভিরুধুনগর, রামানাথপুরম অমসুং থিরুবনমলাই দিষ্ট্রিক্টশিংদসু ইমপ্লিমেন্ট তৌরগনি।

# 'হান্না পায়খৎকদবা থবক্তি অঙাংশিংবু লায়না তীলনা অমদি খুদোংথীবদগী ঙাকথোকপনি'

বেঙ্গলুরু, ওক্টোবর ০১ (এজেন্সী): স্কুলশিং অমসুং কোলেজশিং হাংখিরোই হায়না নৌহৌননা পল্লদুনা কর্ণাটাকাগী প্রাইমারি এন্দ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস সুরেসকুমারনা যূমশকৈশা নুমিত্তা হায়খ্রে মদুদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা খ্বাইদগী মরু ওইবা থবক ওইনা পাঙথোক্কদবদি স্কুলশিং নৎত্রগা কোলেজশিং হাংবগী মহুত্তা অঙাংশিংবু লায়না তীলনাশিং নৎত্রগা খুদোংথীবা থোক্লক্কদবদগী ঙাকথোক্নবা হোৎনবা অসিনি।

বেঙ্গলুরুদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা কুমারনা হায়খি মদুদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মতম চূপ্পদা মমা-মপা ওইবশিং অমসুং অঙাংশিংগী মায়কৈদা লেপকনি। অতৈগী য়াকা য়েংলোই। ঐহাক্লা ইহান হান্না পায়খৎকদবা মরু ওইবা থবক্তি অহল-লমনশিংগী ৱা তাবা অসিনি। ঐখোয়গী গভর্ণমেন্ট অসি অঙাংশিং খুদোংথিবা কয়াদগী ঙাকথোক্নবগী পান্দম লৈ। হৌজিক্কী ফীভম অসিদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী গাইদলাইনশিংগী মতুংইন্না ঐখোয়দা ওক্টোবর ১৫ ফাওবগী মতম ফংলি। হায়রিবা মতম অসি য়ৌরক্ত্রিঙৈ মাঙওইননা ঐখোয়না মরম চাবা ৱারেপশিং লৌগনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি মদুদি যুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা স্কুলশিং অমদি কোলেজশিং হাংননবা অসিগুম্বা দিরেক্সনশিং পীখ্রবা মতুং অসিদসু ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা অঙাংশিংগী মপা-মমাশিংগী ৱা তাদুনা লৈগনি। ইস্যু অসিগী মতাংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা চমম্লবা অমত্তা লৈতে হায়নসু মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা থমখি।

যুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা শুপ্নগী হৌখিবা অহিংদা অনলোক-৫গী প্রোসিজরশিং থাদোরকখি। ঐহাক্ল মমাঙদা মীয়ামদা থমখিবগুম ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা স্কুলশিং হাংগদ্রা নৎত্রগা হাংলোইদ্রা হায়বসিগী মতাংদা ষ্টেকহোল্ডর পূম্নমক মরু ওইনা অঙাংশিংগী মমা মপাশিংগা ৱা তানগনি হায়না মহাক্লা চেকশিন ৱা ফোঙদোকখি। মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা হায়খি মদুদি স্কুলশিং হাংনবগী ৱারেপ লৌরকপা তারবদি মদু ঐখোয়গী ইলেক্টেদ রিপ্রজেন্টেটিব, একাদেমিসিয়নশিং, হেল্থ এক্সপর্টশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা অতৈ ষ্টেকহোল্ডরশিংগা তানরগা লৌগদবনি।

# রেপ ভিক্টিম হাথু হাথু পোৎলোইখিবগী মতাংদা এক্সপ্লেনেসন পীরক্নবা এন সী দব্লিয়ুনা যু পিগী দি জি পিদা খঙহনখ্রে




ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০১ (এজেন্সী): যু পি পুলিসনা হথ্রাসকী চহী ১৯শুবদা ঙাইরিবী গেং রেপ ভিক্টিমবু হাথু হাথুনা পোৎলোইথোকখিবগী মতাংদা এক্সপ্লেনেসন অমা পীরক্নবা খঙহল্লদুনা নেসনল কম্মিসন ফোর ৱিমেন (এন সী দব্লিয়ু) না উত্তর প্রদেশকী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিসতা চেরোল অমা ইখ্রে।

অহিং তাল্লক্তা ইমুংগী মীওইশিং য়াওদনা ভিক্টিম অদুগী হকচাং হাথু হাথুনা পোৎলোইদবা য়াদবগী করি করি মরমশিং লৈবগে হায়বগী মতাংদা এক্সপ্লেনেসন অমা পীরক্নবা খঙহল্লদুনা কম্মিসন্না হৌজিক দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস, উত্তর প্রদেশতা চে ইরে। খ্বাইদগী থুবা মতমগী মনুংদা হিরম অসিগী মতাংদা পাউখুম অমা থারক্নবা এন সী দব্লিয়ুনা এদমিনিষ্ট্রেসন্দা খঙহনখ্রে হায়না কম্মিসনগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

অহিং নোংয়াই অদুদা ইমুংগী অয়াবা লৌদনা অমসুং ইমুংগী মীওইশিং য়াওদনা ভিক্টিম অদুগী মশা পোৎলোইথোকপগী মতাংদা য়াম্না নুংঙাইতবা পাউ অমা কম্মিসন্না ফংলে। ভিক্টিম অদুগী মশাদু নোংয়াই মতুং পুং ২.৩০ তাবা মতমদা পুলিসনা ইমুংগী মীওই অমত্তা য়াওদনা পোৎলোইখি হায়বগী পাউ ফংই হায়না কম্মিসন্না ইবা চেরোল অদুদা ইখি।

ভিক্টিম অদুগী ইমুংনা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটতা নুপীমচা অদুগী হকচাং যূমদা পুরক্তুনা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপা য়াহনবীনবা হায়জখিবা লৈরবসু পুলিসনা হাথু হাথু হকচাং অদু ইমুংগী মীওইশিং লাকত্রিঙৈদা নৎত্রগা থাপ্লা লৈরিঙৈদা পোৎলোইথোকখি হায়না এন সী দব্লিয়ুগী চ্যেরপর্সন্না ফোঙদোকখি।

এন সী দব্লিয়ুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা উত্তর প্রদেশকী হথ্রাসতা থোকখিবা শাথিরবা গেং রেপকী ভিক্টিম অমা ৱানা লায়কন্নরল্লবা মতুং দিল্লিদা শিখিবা হায়বসি থম্মোয় শোক্লিংঙাইনি।

# কেরলাগী গোল্ড স্মগ্লিং ৱাথোক্তা চেন্নবা লেফ্ট লিদর কারট ফৈজাল কষ্টমস দিপার্টমেন্টনা ফারে





কোজিকোট, ওক্টোবর ০১ (এজেন্সী): কেরলাগী গোল্ড স্মগ্লিং ৱাথোক্তা চেন্নবগী মরালদা হায় প্রোফাইল লোকেল লেফ্ট লিদর অমা ওইরিবা কারট ফৈজাল কষ্টমস দিপার্টমেন্টনা ফাগৎখ্রে।

ওদুরবালি ম্যুনিসিপালিটিদা মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইনা লৈরিবা লেফ্ট লিদর অদু শগোলশেল নুমিত্তা মহাক্কী ময়ূমদা লোন্না র‍্যেদ অমা চত্থরবা মতুংদা ফাখিবনি। ফৈজাল কুমজা ২০১৫গী লোকল বোদি ইলেক্সন্দা লেফ্ট ইন্দিপেন্দেন্ট কেন্দিদেট অমা ওইনা মায় পাকখি। মহাক লেফ্ট ফ্রন্টকী ইন্দিপেন্দেন্ট লেজিসলেটর কারট রজাক্কসু মরী লৈনৈ হায়রি।

কষ্টমস দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিং শগোলশেল নুমিৎকী অঙনবদা ফৈজালগী ময়ূমদা থুংখি অমসুং পুং ২ চূপ্পা থিবা হুম্বা চত্থখি। মদুগী মতুংদা ওফিসলশিং অদুনা মহাকপু ফাখি অমসুং মখা তাবা ইন্তোগেসনগীদমক হায়দোক্তবা মফম অমদা মহাকপু পুখি।

চহী খরগী মমাঙদা কোজিকোট দিষ্ট্রিক্টতা পার্টিগী রেল্লি অমা পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা ষ্টেট সী পি আই (এন) গী সেক্রেটরি ওদিয়েরি বালাকৃষ্ণনা মহাক্কী লকজরি কার মনুংদা তোংদুনা চৎখিবগী মতাংদা লেফ্ট লিদর অসি পোলিটিকেল সর্কলশিংদা খঙনবা হৌখি। মহাক হান্নসু কষ্টম দিপার্টমেন্টনা য়েংশিনবা লৈখ্রবনি।

চৈরকসিদা, চেন্নাই এয়র কষ্টমসনা হৌখিবা নুমিৎ নীনি অসিদা পেসেঞ্জর ১৪দগী লুপা ক্রোর ১.৪৮ ওইগদবা সনা কেজি ১.২৮ ফাখ্রে।

চেন্নাইদা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা কষ্টমস কম্মিস্নর, চেন্নাই ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টনা হায়খি মদুদি দুবাইদগী থুংলখিবা পেসেঞ্জর ৭ চোক তৌবদা মখোয়গী রেক্টমদা সনা কেজি ১.২৮ য়াওরম্বা থেংনরবা মতুংদা ফাখি। মখোয়দগী গোল্ড চেন অনীসু ফাখি। মখোয়দগী ফারিবা অপূনবা সনা কেজি ১.৪৩ অদু লুপা লাখ ৭৫.৫ ওইগনি হায়রি।